## দেনিস নুপী ইজ্জৎ মাঙহনখিবা মীওই তরুক ফারে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৫ঃ** চহি ৫১ শুরবী দেনিসতগী লম কোইরকপী নুপী অমা মীওই কয়ানা থাঙ উত্তুনা দিল্লিগী রেলৱে ষ্টেশন মনাক্তা ঙরাং অহিং ইজ্জৎ মাঙহনখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননবা দিল্লি পুলিসনা চিংনবা মীওই তরুক ফারে।

পুলিসকী পাউদা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি চিংনবা মীওই তরুক ফারে। টেলিভিজন চেন্নেল অমনা পীরকখিবা পাউগী মতুং ইন্না দিল্লি পুলিসনা চিংনবা মীওই ১৫ ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চখখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিসনা দেনিস নুপী অদুবু মেদিকেল ইগজামিনেশন চখনবা হায়বদা মহাক্না য়াখিদে। অদুম ওইনমক, দিল্লি পুলিসনা থৌদোক অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা পায়খৎখি হায়রি।

থৌদোক অদু ভিক্টিম ওইরিবী দেনিস নুপী অদুনা মহাক্না লৈরিবা কোনাওট পেলেসকী পহরগঞ্জদা লৈবা হোটেল অমদা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি।

মহাক্না হোটেল অদুদা হন্ননবা হোৎনবদা লম্বী মাঙখি। তুংদা মীওই অমনা মহাকপু পুরবা মতুং মঙোন্দা য়াওবা শেল অমসুং অতাংবা পোৎলমশিং লূট তৌদুনা পুখি হায়রি।

দেনিশ নুপী অদুনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা হোটেলগী মেনেজরদা পাউদমখি। তুংদা নুমিৎ অদুমক্কী পূং ৮.৩০রোম তাবদা পুলিসতা পাউ পীরকখি। লোয়ননা পহরগঞ্জ পুলিস ষ্টেশন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস লৌখৎতুনা থীগৎপা হৌখি হায়রি।

## নরেন্দ্র মোদি মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্বা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৫ ঃ** দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা আম আদমি পার্টিনা অঙকপা মওংদা মায় পাকখ্রবা মতুং কংগ্রেস পার্টিদা অচৌবা চৈফূ অমা পীরি। মদুনা মরম ওইরগা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদসু চৈথেং অমদি ফংলবা য়াই হায়না *এ বি পি* ন্যুজ নেলসননা সর্ভে তৌবগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সর্ভে অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মুম্বাই অমসুং থানেদা কংগ্রেস অমসুং মহাক্না চুংশিন্নবা কাঙবুনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা সীট ৩খক্তমক ফংগনি। মদু ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা পার্টি অদুনা ফংবা সীট ৮ অদুদগী হন্থরবনি হায়রি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি অমসুং শিব সেনানা সীট ৬ ফংগনি। মদু মমাঙদদি সীট অমখক্তমক ফংলবা ঙমখিবনি। অদুগা মফম অদুদা আম আদমি পার্টিদি সীট অমখক্তমক ফংবা য়াই হায়রি।



*এ বি পি* ন্যুজ নেলসননা পাঙথোকখিবা সর্ভে অদুনা দিল্লিদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা পার্টি অদুনা সীট ৬মক ফংবগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিদি মপূং ফানা ইন্থোকখিবা য়াই। কংগ্রেসনা দিল্লিদা সীট অমফাওবা ফংবা ঙম্লোই। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইং ২০০৯গী মীখলদদি কংগ্রেসনা সীট ৭ ফংখিবনি। সর্ভে অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা কেজ্রিৱালদগী মীয়ামনা পাম্বা হেল্লি।

কেজ্রিৱালগী পার্টিনা দিল্লিদদি লীদ তৌদুনা চৎকনি অদুগা মুম্বাই অমসুং নেসনেল কেপিটেল রিজনশিংদদি মোদিনা লীদ তৌগনি হায়রি।

মপূং ওইনা য়েংবদা নরেন্দ্র মোদিনা চাদা ৪৮ ফংবা ঙমগনি। কেজ্রিৱালনা চাদা ৩১ অদুগা রাহুল গান্ধিনা লুচিংবা কংগ্রেস পার্টিনা অহুমশুবা মফমদা লৈবগা লোয়ননা চাদা ১৬তমক ভোট অদু ফংগনি হায়রি।

হরিয়ানা, গুরগাওন অমসুং ফরিদবাদকী নেসনেল কেপিটেল রিজনশিংদা বি জে পিনা সীট ২ ফংগনি। অদুবু দিল্লিদদি ওইথোকপা য়াবা ৱাফম লৈতে হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী গাজিয়াবাদ অমদি গৌতম বুদ্ধ নগরগী ষ্টেট কেপিটেলশিংদা ইং ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা সীট অমমমতমক ফংগনি।

*এ বি পি* ন্যুজ নেলসননা পাংথোকখিবা একজিট পোল অদু দিল্লি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ২১দা পাঙথোকখিবনি। জনুৱারি ১০দগী ১২ ফাওবা চখখিবা সর্ভে অদুদা মীওই ২,৫৮৫না মতেং পাংলকখি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### হৌজিক মতমগী অঙকপা ৭ – (২)

*মালেমগী হৌজিক মতমগী ওইবা অঙকপা তরেৎকী মনুংদা য়ু এস এগী হুভর দামসু য়াওরি। দাম অসি মিটর ২২১ ৱাংদুনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা দাম অমা ওইরি। কোলোরেদো হায়বা তুরেল অমদা হেক হেক ঈচাও থোকপদগী কন্নবা দাম অসি শাখিবনি। দাম অসি শাবদা কংক্রিক অসি মিল্লিয়ন ক্যুবিক মিটর ৩.৬৩ চংই। ইং ১৯৩৬ তা দাম অসি শাখিবনি। নেদরলেন্দসকী দেলটাৱের্কন ফ্লদ বেরিয়ার হায়বসিসু অঙকপা তরেৎসিগী মনুংদা চল্লি। ইং ১৯৫৩ দা নেদরলেন্দসতা সমুদ্রদগী হাগৎলকপা ঈশিংনা পাক–শন্না মাঙ–তাকহন্দুনা ঈচাও অমা থোকখিবদগী মসিগী ফ্লদ বেরিয়ার অসি শাখিবনি। জোহন ভান ভীন কৌবা লৈবাক্তুগী ইঞ্জিনিয়ার অমনা দিজাইন তৌদুনা শাখিবা দেলটা প্রোজেক্ট হায়নসু খংনবা দেলটাৱের্কন অসি দাম খরা, অমগী মথংদা অমা শাদুনা হাগৎলকপা সমুদ্রগী ঈশিং অদু মথং মথং থৎনবা মওংদা শাবনি।*

## মকর সংক্রান্তি কুম্ভে য়েংবা লাকপশিং নেৎশিন্নবদা ৩ শিরে

**বক্ক (বিহার), জনুৱারি ১৫ ঃ** মন্দর মহোৎসব, মকর সংক্রান্তি হায়নসু খঙনবা নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী লমশিংদা পাঙথোকপা কুম্ভে অদু য়েংবা লাকপা মীওইশিং নেৎশিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে, কয়ানা অশোক–অপন নংখ্রে।

কুম্ভে অদু বিহারগী বক্ক হায়রিবা লমদম অদুদা মরু ওইনা পাঙথোকপনি। অহানবা ওইনা থিজিনবদা কুম্ভে য়েংবা লাকখিবা মীয়ামগী মরক্তা তোকঙা শন্দোরকখি। মীয়াম অদুনা ঙরাং থিয়েটর অমদা পাঙথোকপা বুলগর দান্স য়েংলিঙৈদা মৈ চাক্লে হায়না তোকঙা শন্দোরকপদগী নেৎশিন্নবগী



থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, মীয়াম মরক্তগী গ্রুপ অনী খংন–চৈনবগী থৌদোক থোক্লে হায়নসু শন্দোরকখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী পুলিস ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা মীওই অমদি বক্ক লমদমদগীনি অদুগা অতোপ্পা মীওই অদুনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমদগী কুম্ভে অদু য়েংবা লাকপনি হায়রি।

অশোকপশিং অদু তোঙান তোঙানবা হোস্পিটেলশিংদা পুখৎখ্রে লায়কন্নখি। মীয়াম মরক্তগী মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, কুম্ভে অদু শীল–লাংবদা নীংথিনা শীন্দবগী খুদম ফংই। মফম অদুদা মৈ মতীক চানা থানদে। লোয়ননা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎপা লৈতে হায়খি।

মকর সংক্রান্তিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মন্দর মহোৎসব কুম্ভে অদু ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা মরু ওইনা পাঙথোকপনি হায়রি।

## ‘ওপরেসন ব্লু ষ্টার’গী মতমদা কংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা মন্তিক্লখি



*প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধিগী মতমদা চখখিবা ‘ওপরেশন ব্লু ষ্টার’ গী মতমদা গোল্ডন টেম্পল*

**অমৃতসর, জনুৱারি ১৫ ঃ** পঞ্জাবতা ব্লু ষ্টার ওপরেসন চখখিবা অদু মাগ্রেট থিটচর সরকারনা ইন্দিরা গান্ধীদা অদুগুম্বা ওপরেসন অদু চখবদা মতেং পাংখি হায়না পঞ্জাবতা সরকার পায়রিবা সিরোমনি অকালি দলনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অদুগুম্বা ওপরেসন অদু কংগ্রেসনা সিখশিংগী মায়কৈদা চখবা অচৌবা লৌতুনবা অমনি। কংগ্রেসনা মখোয়গী রাজনীতিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌননবগীদমক লৈবাক অসিগী নীংতম্ববু মন্তিক্লখি হায়না সিরোমনি অকালি দলগী সেক্রেটরি দলজিৎ সিংহ চিমানা চান্দিগরদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মরাল শিখ্রে। কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ সরকারদা ৱাহং অমা ওইনা হংলদুনা মহাক্না হায়খিবদা, চখখিবা ওপরেসন অদু কংগ্রেস পার্টিনা শিখ কম্যুনিটিদা য়েংশিনবা অমা ওইনা চখখিবনি হায়বদু ময়েক শেংলে হায়খি।

থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকালি দলনা হায়, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা শিখ জাতিদা থৌদোক অদুনা হকচিন্না নুংঙাইহন্দবা ফাওহল্লে। লোয়ননা বৃটিশ প্রেমিয়ার দেবিদ কেমেরোলদা চিঠি ইদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোল খঙহল্লক্কবা হায়খ্রে। শিখশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা এস জি বি সিগী মকোক অভটার সিংহ মকরনা হায়খিবদা পাউ অদুনা শিখ কাংবুদা নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। তুজুংনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুনা লৈবাক অসিগী মনুংগী ওইবা সেক্যুরিটিগী ৱাফমদা ৱাথোক অমা ওইহনখি। মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা বৃটিশ ফোর্সকী মতেং লৌদুনা ওপরেসন অদু চখখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ঙাক–শেলগী লমদা খুৎ থিংজিল্লকপগা লোয়ননা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী নীংতম্বদা মন্তিক্লখি হায়না মরাল শিরক্লি। কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার অসিনা মতম অদুদা ওইখিবা অমদি বৃটিশগী মতেং লৌখিবা অদুগী মতাংদা চপ চাবা শেংদোক ৱারোল ময়ামদা ফোঙদোক্কদবনি। চখখিবা ওপরেসন অদুগী মমি ওইনা করি লৈরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা সিখ কম্যুনিটিদা খঙহনগদবনি। হৌজিকসু সিখ জাতিদা থৌদোক অদুগী দাগফম তাদুনা লৈরি হায়খি।

## মীখলগী মতমদা হায়দোকখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লবা হোৎনবদা কেজ্রিৱাল সরকার অৱাবা মায়োক্লরে





**লক্ষনৌ, জনুৱারি ১৫ ঃ** লৈবাক অসিগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিদা সরকার পায়রিবা কেজ্রিৱালগী সরকারনা মীখলগী মতমদা হায়দোকখিবশিং ঙাক্লনবা হোৎনবদা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরে। অদুম ওইনমক, পার্টি অদুনা ৱাশকখিবশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। থবকশিং অদু সরকার পায়রকপা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবদা পোৎলুম অমদি ওইরি।

মীখলগী মতমদা পার্টি অদুনা ৱাশকখিবশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরক অসিদা, কন্ট্রেক্টতা থবক তৌরিবা ওজাশিংনা মখোয়গী থবক অদু রিগুলর তাহন্নবগী খোঙজং অমা ওইনা কেজ্রিৱাল ঘেরাও তৌখ্রে।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবশিংদা মখোয়গী অপাম্বা অদু সরকার অদুনা থবক ওইনা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা কেজ্রিৱালনা হায়খিবদা, হীরম অদুগী মতাংদা হয়েং শোয়দনা য়েংশিল্লগনি। মহাক্কী সরকারনা মীখলগী মতমদা ৱাশকখিবশিং অদু পাঙথোক্লবা মথৌ অমা ওইনা চখরি। সরকার অসি শেম্বা নুমি ১০ নি ফাদ্রি। ৱাশকশিং অদু ঙাক্লবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙগনি হায়খি।

আম আদমি পার্টিগী এম এল এ বিনয়না ফোঙদোকখিবদা, সরকার অসিনা মীখলগী মতমদা ৱাশক–খিবশিং অদুদগী থৈদোক্তুনা চৎলি হায়না মহাক্কী পেন্দবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

বিনয়না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, মীখলগী মতমদা আম আদমি পার্টিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগা হৌজিক ওইরিবা থৌওং অসিগা চাউনা খেন্নবা লৈরে। মসিবু করম্বা ফিভম্নো। সরকার অসি হৌজিক থবক তৌরি, অদুমওইনমক মীখলগী মতমদা এ এ পিনা ৱাশকখিবা অদুগদি চাউনা খেন্নরে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি অদু সরকার অসিগী মনুং–মপান নাইদনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফম অদুগী মনুং চন্না শগোলশেন নুমিৎতা প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা ফোঙদোক্কনি হায়না লক্ষমি নগরগী এম এল এ অদুনা ফোঙদোরক্লি।

বিনয়না কেজ্রিৱালদা এটেক চখরকখিবা অদুগী মতাংদা কেজ্রিৱাল মশামক্না ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা এম এল এ অদুনা মঙোন্দা মিনিষ্টর পীননবা খঙহল্লকখি। তুংদা, মহাক্না অমুক লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইনিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরকখি।

চিফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না হায়রক্লিবা অদু করিসু নত্তে। মহাক্না হায়বগী মতুং ইন্না করিগুম্বা থবক খরদি তৌবা য়াই। অহানবদা মহাক্না মিনিষ্টর ওইননবা তকশিল্লকখি। মদুদা য়াখিদে, তুংদা মহাক্না লোক সভা মীখল থেংননবা ৱাফম পুখৎলকখি। লোক সভা মীখলগীদমক মঙোন্দা টিকেট পীবিনবা য়ূমদা লাকখিবা লৈখি।

পার্টি অদুগী ৱারেপকী মতুং ইন্না এম এল এ ওইরিবশিংদা লোক সভাগী টিকেট পীরোইদবনি হায়বা লৈ। অদুমওইনমক, বেনিনা ফোঙদোকখিবদা, মঙোন্দা মিনিষ্টরগী ফম পীরক্তবদা করিসু নুংঙাইতবা লৈতে। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক কয়া তৌবা পাম্লি, মঙোন্দা করিসু নুংঙাইতবা লৈতে। অদুমওইনমক, পার্টি অদুনা মরু ওইবা ইস্যুশিংদি নাথেরে। মরম অদুনা মীয়াম্না পার্টি অদুদা ৱাখল তাহনবা চুম্মী হায়না ফোঙদোরক্লি।

## দিল্লি, য়ু পিদা উবা ঙম্বগী ফিভম ফগৎলকপদগী ফ্লায়ট থেংথবগী চাং হন্থরে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৫ঃ** ঙসি অয়ূক পূং ৬ ফাওবদা ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট, দিল্লিদা উবা ঙম্বগী চাং হেনগৎলকখ্রে। নুমিৎ থোরকপা মতমদা পালম এয়রপোর্টতা হান্না ওইরম্বা উবা ঙম্বগী চাং অদুদগী হেনগৎলক্তুনা মিটর ৪০০ ফাওবা উবা ঙমখ্রে।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদদি এরোপ্লেন পাইখৎপা অমদি লেন্দিং তৌরকপদা অকায়বা ওইররোই হায়রি। অদুম ওইনমক, নোইদা অমসুং ফরিদাবদতদি ঙসি অয়ূক পূং ৬ ফাওবদা অথাবা লৈচীলনা কূপশিন্দুনা লৈখি। লোয়ননা নুমিৎ থোরক্লবা ফাওবদা মঙাল ফাওদোরকপা ঙমখিদে হায়রি।

চান্দিগরদা উবা ঙম্বগী চাং অদু মিটর ৫০ ফাওদমক ওইরি। অদুগা গ্বালিয়রদি করিমত্তা উবা ফংখিদে হায়রি। তোঙান তোঙানবা সহরশিং মরু ওইনা উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌ, কানপুর এল্লাহবাদ, বারানাসি অমসুং গোরাকপুরদদি মিটর ৬০০তগী ১০০ ফাওবগী চাংদা উবা ঙমখি। ফিভম অদু ঙসি অয়ূক ফাওবদা ওইখিবনি হায়রি।

হায়রিবা মফমশিং অদুদা হৌখিবা চয়োল অনীদগী অথাবা লৈচিলনা কূপশিন্দুনা লাকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টশিংদা এরোপ্লেন পাইখৎখিবা অমসুং লেন্দিং তৌরকপদা থেংথহনবা অমদি কেন্সেল তৌবগী প্রোব্লেম মায়োক্লখিবনি।

## দিল্লিদা নুমিৎ খূদিংগী ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেস মরি রিপোর্ট তৌরি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৫ ঃ** দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা নোংমদা নুপী মরি ইজ্জৎ মাঙহনবগী চাংদা রিপোর্ট তৌরক্লি হায়রি।

হৌখিবা চহি মরিগী ফিগর য়েংবদা হৌখিবা চহি ইং ২০১৩না দিল্লিদা খ্বাইদগী হেন্না ইজ্জৎ মাঙহনবা থৌদোক থোকখি। মফম অদুদা হৌখিবা চহিদা ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেস ১,৫৫৯ রেজিষ্টার তৌরকখি। মদু মমাঙগী চহী ইং ২০১২ দা শুপ্নতগী ৬৮০ তমক ওইখিবনি। চাদ পাথোক্লবদি হেগৎলক্লিবা অদু ১২৯.২৬ পর্সেন্টনি হায়রি।

দিল্লি পুলিসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেসকী চাদ ৯৬তি ভিক্টিম অদুগা হান্ননা খঙনবা মীশকশিং ওইরি। অদুগা চাদ ৫৮না শকখঙদবশিংনা ইজ্জৎ মাঙহনবনি হায়রি।

হৌখিবা চহিদা ইজ্জৎ মাঙ–হনবগী কেস ১,৩৯৮ ৱারোইশিন পুরকখ্রে। অদুমওইনমক, ইজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোকশিং চহি চহিগী ওইনা হেনগৎলক্লি। ইং ২০১১ দা





অদুগুম্বা থৌদোক ৫৭২ রেজিষ্টার তৌখি। ইং ২০১০দা ৫৮৫, ইং ২০০৯ দা ৪৫৯ কেসশিং রেজিষ্টার তৌখি।

ফিগর অসিগী মতুং ইন্না অদুগুম্বা কেসশিং অদু হেনগৎলক্লি হায়বা তাক্লি। অদুগা মোলেষ্টেশনগী কেসনা চাদ ৪১২.৫৬ ওইরি।

দিল্লি পুলিস কমিশ্নর বি এস বাসিনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, নুপীদা চথবা ক্রাইমশিংদা দিল্লি পুলিসনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। লোয়ননা অদুগুম্বা ৱাথোকশিং থোক্লকপদা লাকশিন্নবা অয়ৌবী থাক্তা হোৎনরি হায়খি।

নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী চাদ ৭৭তি থৌদোক থোকপা মতুংদা চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনৈ অদুগা চাদ ৯না অনীশুবা চয়োলদা লোইশিল্লি হায়খি।

নিয়মগী মতুং ইন্না ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেসশিংগী চার্জসিট নুমিৎ ২০নিগী মনুংদা থাগৎকদবনি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা চার্জসিট থাগৎপা ঙমদ্রবদি জোইন্ট পুলিস কমিশ্নরদা চপ চাবা ৱাফম খঙহনগদবনি।

অদুমওইনমক, কেস অদুগী চার্জসিট অদু নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা থাগৎলক্তবদি স্পিসিয়েল কমিশ্নর (লো এন্দ ওর্দর) অমসুং স্পিসিয়েল কম্মিস্নার (ক্রাইম) দা চার্জ সিট থাগৎপা ঙমদবগী মরু ওইবা মরমশিং খঙহনগদবনি। মদুগী মতুংদা মরী লৈনবা কম্মিস্নারশিংনা ওইথোকপা য়াবা লম্বী অমা শিনগদবনি হায়রি।

লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অদু ভিক্তিম ওইরবা নুপীশিংগী অথুবা মতমদা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবনি অদুগা থিজিনবা কাঙবুনা নুমিৎ ৯০ গী মনুংদা চপ চাবা কেস অদুগী রিপোর্ট পীখৎকদবনি হায়রি। নুপীশিংবু শাফহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলি। মদুগীদমক হেল্প লাইন নম্বরশিংদা পাউ পীদুনা মতেং পাংননবা হোৎনরি হায়খি।

